# নার্কোতিক্স এনোনিমশতা তরাম্না ওকচরি

নার্কোতিক্স এনোনিমশতা তরাম্না ওকচরি। নহাক্কী অহানবা এন: এ: মীটিংদা তরাম্না ওকচরি। এন: এ:না এদিকশিংদা দ্রগ য়াওদনা হিংনবা লম্বেল অমা পী। করিগুম্বা নহাক এদিক অমনি হায়বগী চিংনবা লৈরবদি, মদুগীদমক্তা ভ্লারুনু: নহাক নশাগী ওইবা পুক্লিং লেপ্লদা চঙবা মতম পূম্নমক নহাক ফংগনি।

করিগুম্বা নহাক্না ঐখোয় অয়াম্বনা অহানবা এন: এ: মীটিং য়াওখিবা অদুগুম্না ওইরগদি, নহাক পাখৎপা পোকপা য়াই অমসুং মীটিংদা য়াওরিবা খুদিংমক্না নঙোন্দা য়েংলক্লবোই নিংগনি। অদুম্না ফাওরগদি, নহাকখক্তা নত্তে। ঐখোয় অয়াম্বসু চপ মান্নবা মওংদা ফাওখি। অসুম্না হায়নৈ, “করিগুম্বা নহাক্কী পুক্লিংদা লাংতক্লবা ফাওরবদি, নহাক অচুম্বা মফম অমদা লৈরম্বা য়াই”। ঐখোয়না তোয়না পন্নবা ভ্লাফমদি কনাগুম্বা অমত্তনা শোয়দুনা এন: এ:গী লম্বেলদা লাক্তে। এদিক নত্তবশিংনা মখোয় এদিকলা হায়বা খঙ্হদুনা মতম মাংহন্দে। মখোয়না খনবা ফাওবা খল্লুদে। করিগুম্বা নহাক্না নশাসি এদিক অমা ওইরমগদ্রা নৎত্রগা ওইরমলোইদ্রা হায়না খল্লগদি, নহাক ওইরম্বা য়াই। ঐখোয়দা য়েংনখিবদু য়েন্নথোকপদা তাননবা মতম নশাদা ফংহল্লু। নহাক্না মান্নবা খরা তাবা ফংবসু য়াই। অতৈনা পল্লিবা অদুগা চপ মান্নবা দ্রগ অদু নহাক্না শিজিন্নরকই নৎত্রগা শিজিন্নরক্তে হায়বদু মথৌ তাদে। নহাক্না করম্বা দ্রগ শিজিন্নরকই হায়বদু মথৌ তাদে। করিগুম্বা নহাক্না শিজিন্নবা লেপ্লিংলবদি নহাকপু তরাম্না ওক্লি। এদিক অয়াম্বনা য়াম্না মান্নবা ভ্লাখলশিং হকথেংনৈ, অমসুং খেন্নবা পুথোকপগী মহুত্তা, ঐখোয়গী মান্নবশিংদুদা মীৎয়েং থম্বদুদনি, ঐখোয় অমনা অমদা মতেং ওইনরিবা।

নহাক পাখৎচবা অমসুং আশা য়াওদবা পোক্লম্বা য়াই।  নহাক্না খল্লম্বা য়াই প্রোগ্রাম অসিসু নহাক্না হোৎনরুবা অতৈগুম্না ওইথোক্লোই। নৎত্রগা নহাক্না খল্লম্বা য়াই মসি কনাগুম্বা অমগীদি ওইথোক্কনি অদুবু নহাক্কীদি ওইথোক্লোই মরমদি নহাকসি ঐখোয়দগী তোংঙাল্লি। ঐখোয় অয়াম্বা এন: এ:দা অহানবা লাকপা মতমদা অদুগুম্না ফাওখি। ঐখোয়না খঙখি মদুদি ঐখোয় দ্রগ শিজিন্নদুনা অদুম লৈবা য়ারোই, অদুবু ঐখোয় করম্না তোক্কনি নৎত্রগা শেংনা লৈগনি হায়বদুদি খঙবা ঙমখিদে। ঐখোয়দা য়াম্না মরু ওইরক্লবা পোৎশক অমা থাদোকখিবদা ঐখোয় অকিবা ফাওখি। এন: এ:গী মেম্বর ওইবদা চঙবা অমত্তা ঙায়রবা পোৎচঙদি শিজিন্নবা লেপ্লগে হায়বগী অপাম্বা অদুতনি হায়বসি থেংনবদা অভ্লাবা অমা কোকই।

অহানবদা, ঐখোয় অয়াম্বা অনৌবা লম্বেল অমা চৎননবা হোৎনবদা থাজদবা অমদি অকিবনা থনখি। ঐখোয়না শোয়দ্রে হায়না খঙবা অমখক্তংদি ঐখোয়গী হান্নগী লম্বেল অদুদি থবক পাংদ্রে হায়বসিনি। শেংনা লৈরবা মতুং ফাওবা, খুদক্তা অহোংবশিং লাক্তে। ঐখোয়সি ইশানা মশক খঙবা ঙমদ্রবা কনাগুম্বা অমা ওইরক্লবগুম্না, অয়াম্বা মতমদা, ঐখোয়না তোয়না তৌবা থবকশিং হায়বদি গাড়ী থৌবা নৎত্রগা তেলিফোন শিজিন্নবা ফাওবা থকৎপা অমসুং হৈনদবা পোকখি। মতাংসিদনি ফেল্লোশিপ অমদি অতোপ্পা শেংনা লৈবা এদিকশিংগী শৌগৎপীবনা তশেংনা মতেং পাংলিবা, অমসুং ঐখোয়না হকচিন্না দরকার লৈবা থাজবা অসি ফংননবা অতোপ্পশিংদগী মতেং লৌবা হৌরকই।

নহাক হান্ননা খল্লম্বা য়াই : “হোয়, অদুবু...” নৎত্রগা “করিগুম্বা অসুম্না তৌরগদি...?” অদুমওইনমক, নহাক অহৌবগীদমক অচম্বা মোৎশিংসি শিজিন্নবা য়াগনি : নহাক্না অঙম্বা চাংদা এন: এ: মীটিংশিং য়াও অমসুং মরুওইনা দ্রগ শিজিন্ননীংবগী অপাম্বা য়াম্না কনখৎলকপদা চাং নাইনা শিজিন্নবগীদমক্তা এন: এ: ফোন নম্বর পরেং অমা খোমজিল্লু। শিজিন্ননীংবগী অপাম্বা অদু মীটিং চথরিঙৈ নুমিৎশিং অমসুং পুংশিংদা লাক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। ঐখোয় ঙসি শেংনা লৈ মরমদি ঐখোয় মতেং ফংননবা খূৎ তিংথোকই। ঐখোয়দা মতেং ওইবদু নঙোন্দসু ওইগনি। মরমদুনা অতোপ্পা ফগৎলক্লিবা এদিক অমগা পাউ ফাওনবদা চিংনবা লৈগনু।

অচঙবা এদিকশন্দা অমুক হন্না তারক্তনবগী অমত্তা ঙায়রবা লম্বেলদি অহানবগী দ্রগতু পায়রুদবনি। এদিক অমগী খ্বাইদগী মহৌশানা তৌগনবা থবকসি দ্রগ শিজিন্নবনি। ঐখোয় অয়াম্বনা পুক্লিং - হোংহনবা, ভ্লাখল - হোংহনবা পোৎচাকশিংদগী থাদোকপা ঙম্নবগীদমক, ঐখোয়, হকচাংগী, ভ্লাখলগী, পুক্লিংগী অমসুং নুংগী ওইবা হকচিন্না হোংহনবা অমা মথৌ তাই। অদুমওইনমক, করিগুম্বা নহাক্না শেংনা লৈবা পাম্লগদি অমসুং ফগৎলকপা হকথেংননীংলবদি, নহাক খোংথাং তরানিথোই অসিবু পাঙথোকপা মথৌ তাগনি। মসি ঐখোয় ইথত্তনা তৌবা ঙম্বগী ভ্লাংমদনি। এন: এ:গী ফেল্লোশিপতদি, ঐখোয়না তম্নবা হোৎনবদা অমসুং অনৌবা লম্বেল অমা চৎনবা থাংজিনবদা ঐখোয় অমনা অমবু শৌগৎনদুনা ফনা অমদি দ্রগ য়াওদনা লৈবা ঙমহল্লি।

নহাক্কী অহানবা মীটিংদা, চহী কয়া অমদি থা কয়াগী শেংনা লৈরক্লবা অমসুং শেংবদা ঙায়রিবা মীওই কয়া নহাক্না থেংনরক্কনি। মতৌ করম্না মখোয়না মতমদু শেংনা লৈরকপনো খনবদা নহাক অঙকপা পোকপা য়াই। করিগুম্বা নহাক্না এন: এ: মীটিংদা হন্না হন্না লাক্লবদি অমসুং শেংনা লৈরবদি, করম্না থবক পাংঙি হায়বসি খঙলক্কনি। ঐখোয় খুদিংমক এদিকশনগী লায়না অদু থেংনরকপা তাখিবনা শেংনা লৈবা এদিকশিংগী মরক্তা অমনা অমবু ইকায়খুম্নে অমসুং চেকশিনমিন্নে। ঐখোয়গী ফগৎলকপদা ঐখোয় অমনা অমবু নুংশিনৈ অমসুং শৌগৎমিন্নে। এন: এ:গী প্রোগ্রাম অসিগী নুংগী ওইবা ফিরেপশিংনা শেমখিবনি লোয়ননা শেংনা লৈহনবদা ঐখোয়দা মতেং ওই। করিগুম্বা অমত্তা পীয়ু হায়রক্লোই, অদুবু নহাক মোৎ কয়ামরুমদি ফংগনি। ফেল্লোশিপ অসিনা ঐখোয়না ফংজহৌবশিং অদু নঙোন্দা খুদোংচাবদু ফংহল্লি : শেংনা লৈবগী লম্বেল অমা। ঐখোয়না খঙই মদুদি ঐখোয়না ‘‘থমজিনজবা ঙম্নবা পীথোকখিবা’’ তাবনি।

মরম অসিনা, তরাম্না ওকচরি ! নহাক্না মফমসিদা য়ৌরকপদা ঐখোয় নুংঙাইবা ফাওই, অমসুং লম্বেলসিদা চঙশিন্নবগী ভ্লারেপ অমা লৌরক্কনি হায়না আশা তৌই। এন: এ:গী মীটিংশিংদা ঈশ্বর পনবা থেংনরক্কনি হায়বসি নহাক্না খঙবদা মরু ওইগনি। ঐখোয়না পল্লিবা অদুদি ওইথোক্লরোই খনবা অদুবু ওইথোকহল্লিবা ঐখোয়গী হেন্বা শক্তি অদুবুনি। ঐখোয় শক্তি অদু মফমসিদা ফংলে, এন: এ:দা, প্রোগ্রামদা, মীটিংশিংদা, অমসুং মীশিংদা। নুংগী ওইবা ফিরেপ অসি ঐখোয়গীদমক্তা থবক পাংদুনা নোংমগী চাংদা দ্রগ য়াওদনা লৈহল্লি অমসুং নোংমা হায়বসি য়াম্না শাংলগনা, মীনিট মঙাগী চাংদা পাঙথোকই। ঐখোয় ইঙ্গতনা তৌবা ঙমদবা অদু ঐখোয় পুল্লগদি ঙম্মী। ঐখোয়না নহাকপু নহাক্কী ওইবা খরা লৈত্রিবা ফাওবা ঐখোয়গী পাঙ্গল অমসুং আশাশিং শিজিন্ননবা হায়জরি। নহাক্না মমল য়াওদনা ফংখিবা অদু নহাকসু অতোপ্পা অমগা য়েন্ননীংবগী অপাম্বা ফাওরকপা মতম অমা লাক্কনি। হন্না হন্না লাকখো - মসি থবক পাংঙি !

নহাক্কী মফমদুগী এন: এ:গী ওইবা তেলিফোন নম্বর :

______________________________________

______________________________________

______________________________________

Copyright © 2009 by
Narcotics Anonymous World Services, Inc.
হক খুদিংমক অফোংবগীনি।

World Service Office
PO Box 9999
Van Nuys, CA 91409 USA
T 818.773.9999
F 818.700.0700
Website: www.na.org

World Service Office–CANADA
Mississauga, Ontario

World Service Office–EUROPE
Brussels, Belgium
T +32/2/646 6012

World Service Office–IRAN
Tehran, Iran
www.na-iran.org

মশি এনঃএঃ ফেলোশিপনা অয়াবা পিরবা সাহিত্যাদগী হনদোকচবনি।

Narcotics Anonymous, , , , অমসুং The NA Way
রেজিস্টার তৌরবাখুদমশিংনি।
Narcotics Anonymous World Services, Incorporated.

ISBN 978-1-55776-367-9 Manipuri 7/11
WSO Catalog Item No. MP-3122

**Narcotics Anonymous®**
**নার্কোতিক্স এনোনিমশ**

IP No. 22-MP

# নার্কোতিক্স এনোনিমশতা তরাম্না ওকচরি

চেরোল অসি নার্কোতিক্স এনোনিমশ প্রোগ্রামগা মরী লৈনবা নহাক্কী ভ্লাহং খরগী পাউখুম পীননবা ইখিবনি। ঐখোয়গী পাউজেল অসি য়াম্না চম্মী: ঐখোয় দ্রগ শিজিন্নদনা লৈননবগী লম্বেল অমা ফংলে অমসুং ঐখোয়না মসিবু দ্রগনা সমস্যা ওইরবা কনাগুম্বা অমগা য়েন্নথোকমীন্নবদা নুংঙাইবা পোকই।